তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট

# বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচিংনা ও এফ এ পুংদোংবম্বু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক ককচীংদা লৈবা দি ব্রাইট ষ্টার য়ুনিয়ন্না শীন্দুনা ইবুধৌ খল্লাংবা লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচিংনা পেনালটিদা ও এফ এ পুংদোংবম্বু মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

টিম ২১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ তরেৎ থোক্লা খাইদোক্তুনা চত্থরকখিবা তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীং অমসুং ও এফ এ পুংদোংবম শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীগী মায়কৈদগী চেম্পিয়ন ওইনবা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। অহানবা হাফকী ৫শুবা মিনটতা ও এফ এ পুংদোংবমগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৯ ধনরাজনা গোল অমা চনশিন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মিনট অমখক কান্নরগা মেচকী ৬শুবা মিনটতা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীংগী জর্সি নম্বর ৮ সী ঐচ দয়ানা গোল অমা চনশিন্দুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা অকনবা মওংদা এটেক চত্থনরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা গোল ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপগা টিম অনীমক্না অহানবা হাফতা শান্নরম্বা মওংদগী তোঙান তোঙানবা লাল্লোং কয়া পুথোক্তুনা তক্নদুনা শান্নরকখি। মেচকী ৬০শুবা মিনটতা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীংগী জর্সি নম্বর ৪ ৱাই সুন্দরনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-১দা মাঙজিল থাহনখি। অদুবু মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৬০ প্লস ২ চৎপা মিনটতা ও এফ এ পুংদোংবমগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১১ পোইরৈতোন্না গোল অমা চন্দুনা বি এস য়ু-এগী অনীশুবা গোল অদু হন্দাকখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদবদগী গোল ২-২দা লৈখি। মদুদগী পেনালটি কাওনবদা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীংনা ও এফ এ পুংদোংবম্বু গোল ৫-৩দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

বি এস য়ু -এ নোংপোক ককচীংগী পেনালটিদা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ সী ঐচ দয়া, জর্সি নম্বর ১২ এম রবিচন্দ্র, জর্সি নম্বর ৬ টি ঐচ প্রেমজিৎ, জর্সি নম্বর ১০ পি মনিস্না অমদি জর্সি নম্বর ৪ ৱাই সুন্দরনা গোল অমমম চনখি। অদুগা ও এফ এ পুংদোংবমগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ৬ রতন, জর্সি নম্বর ৯ প্রামেসার অমদি পোইরৈতোন্না গোল অমমম চনখিবনি।

তরুকশুবা লমলাই অমসুং অন্দ্রো কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীংগী টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৩৫ অমদি রন্নর্স-অপ তাখ্রবা ও এফ এ পুংদোংবমগী টিমদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ২৫ খুৎশিন্নখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ স্কোরর অমসুং বেষ্ট প্লেয়রনা বি এস য়ু -এ নোংপোক ককচীংগী পি মনিস্না, বেষ্ট গোল কিপরনা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীংগী পি নেতাজিৎ, বেষ্ট দিফেন্দরনা বি এস য়ু-এ নোংপোক ককচীংগী এন রবিনা তাখি।

অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# ৱাই এ দি এ-এনা কে এ ৱাই ও কুম্বীবু মায়থীবা পীখ্রে, এম ৱাই সী অমসুং ৱাই এ দি এ-বি দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএন এস) ঃ কুম্বী অদরস য়ুথ ওর্গনাইজেসন (কে এ ৱাই ও) কুম্বীনা শীন্দুনা কে এ ৱাই ওগী গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই এ দি এ-এনা কে এ ৱাই ও কুম্বীবু গোল ৬-২দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা ৱাই এ দি এ-বি কাংশোইবী অমসুং এম ৱাই সী ৱাইখোং দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা পাঙথোক্লিবা অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদগী কে এ ৱাই ও কুম্বী অমসুং ৱাই এ দি এ -এ শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না য়াম্না ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপা কুইদ্রিঙৈ মেচকী ৬শুবা মিনটতা ৱাই দি এ-এগী জর্সি নম্বর ২ গোবিন্না মেচ অদুগী অহানবা গোল চল্লগা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। অদুবু মেচকী ১১শুবা মিনটতা কে এ ৱাই ও কুম্বীগী জর্সি নম্বর ৮ তোম্বনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ১৭শুবা মিনটতা ৱাই এ দি এগী জর্সি নম্বর ৯ নাওবনা গোল অমা চন্দুনা মহাক্কী টিম্বু অমুক হন্না মাঙজিল থাহনখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ২০শুবা মিনটতা ৱাই এ দি এগী জর্সি নম্বর ১৫ প্রিতম্না মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৱাই এ দি এনা হেন্দুনা চৎলিবা গোল ২ অদু কে এ ৱাই ও কুম্বীনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগা মেচকী ২১শুবা মিনটতা ৱাই এ দি এ -এগী জর্সি নম্বর ১০ প্রেমনা মহাক্কী টিমগী মরিশুবা গোল চনখি। ৱাই এ দি এনা মাঙজিল থারিবা গোলশিং অদু হন্দোক্নবা কে এ ৱাই ও কুম্বীগী মায়কৈদগীসু চোকথবা নাইদনা কন্না শান্নরকখি। অদুমকপু মেচকী ৩১শুবা মিনটতা প্রিতম্মা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু ৱাই এ দি এ-এনা গোল ৫-১দা মাঙজিল থাহনখি। ঙাইহাক লৈরগা মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা প্রিতম্না গোল অমগা অমুক চন্দুনা হেটত্রিক লৌখি। কে এ ৱাই ও কম্বীগী মায়কৈদগীসু গোল হন্দাক্নবা এটেক লেপ্পা লৈতনা চত্থরকখি। মেচকী লোইরমদাই মীৎকুপ ৪০শুবা মিনটতা তোম্বনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা মেচ অদু গোল ২-৬তা লৈহনখি। অদুবু ৱাই এ দি এ-এনা হেন্দুনা চৎলিবা অতোপ্পা গোলশিং অদুদি হন্দোকপা ঙমদনা কে এ ৱাই ও কুম্বী মায়থীহৌখি। প্রিতমগী হেটত্রিক্না মেচ অদু ৱাই এ দি এ-এনা গোল ৬-২দা মায়পাকপা ঙমহনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচ অমদনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ তাবদগী ৱাই এ দি এ - বি কাংশোইবী অমসুং এম ৱাই সী ৱাইখোম শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফতা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চত্থনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লৈখি। অনীশুবা হাফতসু টিম অনীমক্না গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী মেচ অদু দ্রো চৎখি।

অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মখা চত্থরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবদগী পুল বিগী ৱাই বি সী থাঙ্গা অমসুং ঈ এল এস এ নরান সৈনা শান্নগনি। অদুগা হয়েং নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদগী পুল সীগী য়ঙ রাইদরস কুম্বী অমসুং নবা এফ সী কুম্বী শান্নগনি। এপ্রিল ১৫গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদনা এল এ আই এফ সী পোরোম্পাৎ অমসুং কুম্বী এফ সী শান্নগনি। অদুগা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবদনা ইমোইনু এফ সী কুম্বী অমসুং নরান সৈনা এফ সী শান্নরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, অনীশুবা এম এল এ ট্রোফি সভেন মেন এ সাইদ নোক আউট ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ওপনিং মেচতা সঞ্জেনবম এফ সীনা কুম্বী এফ সীবু গোল ৪-১দা মায়থীবা পীখিবনি।

## মণিপুর টিম শেম্বগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচ এন এস) ঃ কেরলাগী অলাপুজাদা লৈবা ম্যুনিসিপাল টাউন হোলদা চহী অসিগী জুন ১৭তগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা জুনিয়র নেসনল ইক্বিপ পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন লাক্লিবা মে ১৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এন জি থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, জুনিয়র নেসনল ইক্বিপ পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিম শেম্বগী ট্রায়ল সেলেক্সন অসি পি বি বি পি টি সী কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা পাঙথোক্কনি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানীংবা লিফটরশিংনা এপ্রিল ১৭কী অয়ূক পুং ৮ তাবদা পি বি বি পি টি সী কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়দা মতম চানা লাক্লগা ৱেট-ইনগীদমক শরুক য়াবা য়াগনি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়াগদবা লিফটরশিংনা মশা মশাগী এজ প্রুফ সার্টিফিকেট লোয়নরক্কদবনি। লোয়ননা জুনিয়র নেসনল ইক্বিপ পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়াগদবা মণিপুর টিম শেম্নবগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কদৌরিবা নুমিৎ অসিদা ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী ওফিসলশিং অমদি রেফ্রিশিংসু মতম চানা লাক্কদবনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অহুমশুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# সঙাই এফ সীনা ভি এস এ সোরা অমসুং এম য়ু এস এ চেকোন্না সী ভি এফ এ চজিং মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীল্লগা চত্থরিবা অহুমশুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান্স ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সঙাই এফ সীনা ভি এস এ সোরা অমসুং এম য়ু এস এ চেকোন্না সী ভি এফ এ চজিং মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ভেটরান টিম ১৮না শরুক য়ারগা গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬শুবা মেচ ওইনা মপাল কাংজৈবুংদা সঙাই এফ সী অমসুং ভি এস এ সোরা শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা হাফ হৌরকপদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী গোল চন্নবা এটেক কয়া চত্থনরবসু গোল ওন্থোকপদি ঙম্নখিদে। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লক্লবা মতুং মেচকী ২৫শুবা মিনটতা সঙাই এফ সীগী জর্সি নম্বর ১০ এল নন্দকুমারনা গোল অমা চন্দুনা সঙাই এফ সীবু গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। সঙাই এফ সীনা মাঙজিল থারিবা গোল অদু হন্দোক্লবা ভি এস এ সোরাগী মায়কৈদগী অকনবা এটেক চত্থরকখি। মেচকী ২৯শুবা মিনটতা ভি এস এ সোরাগী জর্সি নম্বর ৬ ওর্খোসন মাটেনা গোল অমা চল্লগা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা টিম অনীমক্না অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪১শুবা মিনটতা এন নন্দকুমারনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চল্লগা সঙাই এফ সীবু অমুক হন্না মাঙজিল থাহনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা সঙাই এফ সীগী অনীশুবা গোল অদু হন্দাকপা ঙমদনা ভি এস এ সোরা মায়থীহৌখি। অদুগা নন্দকুমারনা চনখিবা গোল ২ অদুনা মেচ অদু সঙাই এফ সীনা গোল ২-১দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি খুমন লম্পাক্কী টর্ফ গ্রাউন্দদা সী ভি এফ এ চজিং অমসুং এম য়ু এস এ চেকোন শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৪শুবা মিনটতা এম য়ু এস এগী জর্সি নম্বর ৭ রোচুংনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চন্দুনা মহাক্কী টিম্বু য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা এম য়ু এস এনা মাঙজিল থারগা চৎলিবা গোল অদু সী ভি এফ এ চজিংনা হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৪১শুবা মিনটতা অমুক রোচুংনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চন্দুনা এম য়ু এস এ চেকোনবু গোল ২-০দা মাঙজিল থাহনখি। এম য়ু এস এনা গোল ২ মাঙজিল থাজখ্রবসু সী ভি এফ এগী মায়কৈদগী চোকথবা নাইদনা গোল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না শান্নরকখি। মেচকী ৪৯শুবা মিনটতা সী ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ৬ এন মাইমুনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ১-২দা লৈহনখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এম য়ু এস এগী অনীশুবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা সী ভি এফ এ চজিং মায়থীহৌখি। রোচুংগী গোলশিং অদুনা মেচ অদু এম য়ু এস এ চেকোন্না গোল ২-১দা মায় পাকখি।

অনীশুবা লেট পিঐচ ধর্ম্মচন্দ মেমোরিয়ল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোলিবোল

# ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোংনা পি এম ৱাই সি অন্দ্রোবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস)ঃ এম এম ৱাই সিনা শীন্দুনা ৱাই এস এস য়ুনা স্পোন্সর তৌবা অনীশুবা লেট পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র মেমোরিয়ল ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ভোলিভোল টুর্নামেন্টতা ঙসি অহৌবা মেচতা ৱাইএমদিও হৈরাঙ্গোইথোংনা এম এম ৱাই সি অন্দ্রোবু সেট ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ৮না গ্রুপ অনী থোক্লা লম্বা তৌনগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ বিদা য়ুম্বু ক্লব ওইরিবা এএমৱাইসি অন্দ্রো, ৱাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং, কে ৱাই এল এস কাচিখুল অমসুং এনৱাইবিএম নাওরেম পুন্না লৈরি।

গ্রুপ এদা টিৱাইদব্লীয়ুসি থমনাপোকপী, এমএসভিটি মণিপুর, আই জি ও ওইনাম অমসুং এম আই কে ঐচ ৱাই এ ময়াং ইম্ফালনি।

ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা শান্নখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচতা য়ুম্বু ক্লব এএমৱাইসি অমসুং ৱাইএমদিও হৈরাঙ্গোইথোংগা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু ৱাইএমদিওগী শান্নরোইশিংনা ফজবা হেল্লকপদগী সেট অদু ২৫-২২দা থোইদুনা মাংজিল থাবা ঙমখি। অনীশুবা সেট হৌরকপদা ৱাইএমদিওনা পোইন্ট লৌবগী চাং ৱাংখি। মখোয়না লৌখিবা পোইন্টশিং অদু তান্নরকপদা এএমৱাইসি পোইন্ট ১৭ লান্থোকপা ঙমদনা ২৫-১৭দা ৱাইএমদিওনা থোইখি।

অহুমশুবা সেট য়ুম্বু ক্লব এএমৱাইসিগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনখি। মখোয়না পোইন্ট ২০ য়ৌরকপদা ৱাইএমদিওনা পোইন্ট ২৫ য়ৌবা হানখিবদগী মেচ অদু সেট ৩-০দা থোইখি।

হয়েং গ্রুপ বিগী অনীশুবা মেচতা এএমৱাইসি অমসুং কেৱাইএলএসসি কাচিখুল অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা শান্নগনি। পুং ৮দা গ্রুপ এগী টিৱাইদব্লীয়ুসি থম্নাপোকপী অমসুং এমএসভিটি শান্নগনি। নুংথিল পুং ১দা গ্রুপ বিগী এনৱাইভিনা নাওরেম অমসুং ৱাইএমদিও হৈরাঙ্গোইথোং থেংনগনি। অদুগা নুংথিল পুং ২দা গ্রপ এগী আইজিও ওইনাম অমসুং এমএসভিটি লম্বা তৌনগনি।

# হোকি ইন্দিয়ানা দেবেন্দ্র প্রটাপ, সুনিল মানিক অমসুং মণিপুরদগী নির্মলতা এগজিক্যুটিব বোর্দতা হাপখ্রে





ন্যু দেল্লি এপ্রিল ১২ (এজেন্সি) ঃ হোকি ইন্দিয়ানা ঙসি দেবেন্দ্র প্রটাপ টোমর, সুনিল মালিক অমসুং মণিপুরদগী ফুরাইলাৎপম নির্মলতাবু এগজিক্যুটিব বোর্দতা হাপখ্রে।

ফুরাইলাৎপম নির্মলতানা হান্না হোকিইন্দিয়াগী এগজিক্যুটিব বোর্দকী মেম্বর ওইরম্বা ইন্দিয়াগী নুপী টিমগীসু কেপ্তেন ওইরম্লবী অসুন্তা লক্রানা মশাগী তোঙানবা মরম অমদগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী ফম অদু থাদোকখিবনি। মহাক্কী মহুৎ নির্মলতানা শিনগদৌরি।

নির্মলতা মশামক ষ্টেটকী শান্নরোয় অমা ওইরম্বদা নত্তনা কেপ্তেনসু ওইরমখি। লোয়ননা কুমজা ২০০৯দগী মণিপুর হোকি শেমখ্রবা মতুং এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং প্রমোসনগী মতাংদা চহী ১০ হেন্না ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুদুনা লাকখিবনি। মহাক গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরি।

দেবেন্দ্র প্রটাপ টোমরবু হোকি ইনিদয়াগী অনৌবা এসোসিএট ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা খনখি। মহাক হোকি মধ্য ভারতকী প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরম্বনি।

নাকল অমরোমদা, হোকি হরিয়ানাগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইরম্বা সুনিল মালিকনা হোকি ইনিদয়াগী অনৌবা এসোসিএট জোইন্ট সেক্রেটরিগী ফম পুগদৌরিবনি।

## রোয়িংগী ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস)ঃ চহী অসিগী জুন ৭তগী ১১ ফাওবা পুনেদা পাঙথোক্কদবা ৪শুবা ইন্টর ষ্টেট চেলেঞ্জর্স স্প্রিন্ট নেসনল রোয়িং চেম্পিয়নসিপ অমসুং সব জুনিয়র রোয়িং চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ারুনবা মণিপুর ষ্টেটকী রোয়িং টিম খন্ননবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর রোয়িং এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী এস শ্যাকেশোরনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ট্রায়ল সেলেক্সন অদু থা অসিগী ১৬কী অয়ুক পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লৈবা রোয়িং কেনেলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ট্রায়ল সেলেক্সন অদুদা শরুক য়াগদবা সেনিয়র স্কলগী এন্ট্রি ফি লুপা ৫০ ওইগনি অমসুং সেনিয়র স্বিপকী এন্ট্রি ফিনা লুপা ১০০ ওইগনি। অদুবু সব জুনিয়র রোৱরশিংগী ওইনদি এন্ট্রি ফি লৌরোই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

# লমলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় নুপীমচাশিংদা শরিৎ-শরাক্কী মহৈ ফূনা কাঙলোন তম্বীখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ১২ (ঐচএনএস) ঃ শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরনা মতম খরা লেপ্লুরবা মতুংদা মখা তানা মথং-মথং শরিৎ-শরাক্কী মহৈ ফূনা কাঙলোন কয়াবু মহৈ তম্লিবী নুপীমচাশিংদা তাকপী-তম্বীনবা চত্থরকপা চহীসিগী অহানবা হৌদোকপা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈরিবা লমলোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈ তম্লিবী নুপীমচাশিংদা খুদোংথীবা কয়াদগী মশাবু কঞ্জনবা, শরিৎ-শরাক্কী ওইবা মহৈ ফূনা কাঙলোন কয়া থা অসিগী হৌখিবা ৮-৯দা নুমিৎ নীনি চূপ্পা তাকপী তম্বীবগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট এল লাসমোননা প্রেসতা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, তাকপী-তম্বীবগী ট্রেনিং অসিদা মৈতৈ ঈনাৎ শিন্দম অপূনবা, হৈঙাংগী শিন্তাকলিবা এন ইবোহল মৈতৈ, ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন তাংখমগী শিন্তাক্লিবা এন জিবন মঙাং, য়ু এফ ও য়ুরেম্বমগী শিন্তাক্লিবা কে ঐচ নিলকান্ত খা ঙানবা ওজাশিংনা শরুক য়াদুনা তাকপী-তম্বীবগী ট্রেনিং অসি পাঙথোকখি। লোয়ননা শরিৎ-শরাক এসোসিএসন মণিপুরনা থা অসিগী ১৮দগী হৌরগা নুমিৎ হুমনি চূপ্পা হৈঙাংগী ইবুধৌ, মারজিংগী মসাইকোনদা ‘অহানবা ষ্টেট লেভেল শরি-শরাক চেম্পিয়নশিপ’ পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু খুদোংচাদবা খরা লৈবনা মথং থাগী ১০দগী ১২ ফাওবদা ওইনা পাঙথোক্লগনি । মরম অসিনা শরুক য়াবীগদবা খ্বাই পূন্নমক্না এসোসিএসন অসিদগী অকূপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি হায়রি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com